থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ২০১৯ ইলেক্সন! করম থোক্লগবা? কনানসু হায়ঙমদ্রে



পোলিতিক্স হায়বসি অমোৎপা মশান্না অমনি ... পূকচেল শেংদবা মীখক্তনা মায়পাকপা পোলিতিসিয়ন ওইরক্কনি ... অনৌবা মীরোলগী মায় পাকপা পোলিতিসিয়ন ওইনবইদমক মীহাৎপা (ক্রিমিনেল) অমগী পূকচেল চেনগদবনি ... অসিনচিংবা কয়া ঙাঙনৈ, অফবা অমত্তা হায়নদে। অসুম্না হায়নৈ হায়বসি মখোয়সু খঙই। ফত্তববু ফত্তে হায়বনি, 'সিদা করি শাউনীংঙাই লৈবগে, ফরদি ফৈ হায়রক্কনিনা! ঐখোয়গী সী এম 'বিরেন'বু মতাংসিদা ঐনা থাগৎনীংবা অমা লৈ। মহাক ফৈ/ফত্তে'গী ৱা নত্তে। ঐনা গাড়ী (কার) এক্সিদেন্ততা খূৎ অমদি থবাক্কী শরূ তেক্তুনা, হৌগৎ কাংখৎ ঙমদদুনা ঙসি মঙা-তরানিসি ফমুংদা/সোফাদা লেঙদনা লৈবসিদা মতম কুইনা য়েংলক্ত্রবা তেলিভিজন প্রোগ্রাম খরা য়েংখি। করি নুমিৎনো, করম্বা প্রোগ্রাম/ফঙ্কসন অমগা মরী লৈনবদনো'দুসু খঙহৌদ্রে। কাউখ্রে। পংকুইদি কুইখিদ্রি। মহাক্না হায়খিবনি ...'ঐখোয় পোলিতিসিয়নশিংনা হায়বা ৱাসি প্রজাশিংনা তানীংদ্রে ... ঐখোয়গী মাঙদা খুবাক খুদুনা তাসীন্নবই ৱানি, ঐখোয়না হেক চৎখিবগা 'মশকসিনা ঙাঙজবা শারিসে' হায়না হায়নহৌবা ঙাক্তনি ... মসি হায়নহল্লোই হায়রবদি পোলিতিসিয়ন ঐখোয়না শেমদোকচগদবনি'..। মহাক্কী ৱাহায়দুগী দাইরেক কোত তৌবদি নত্তে। অদুবু, ৱাহায়দুগী মচং ওইবা ৱাঙাংদুদি মসিনি। ঐহাক য়াম্না নুংঙাইখি। দ্রামা-সিনেমা-সূমাঙ লীলাদ'কা আর্টিষ্টশিংনা পংঙাঙ ঙাঙনবা ৱাহৈশিংদু 'চীফ মিনিষ্টর'মক্কী মচীন্দগী করিমত্তা খন্থদনা দোং হায়দোকখিবদু থাজখিদে। অদুবু অঙকপদি, পাউচে অমত্তনা, মেদিয়া হাউজ অমত্তনা মাগী ৱাহৈ অদু খনগৎতুনা ইবিরকখিদে। অমুকসু খল্লি - ঐনা তাখিবা ৱাহৈদুবু মঙ ওইরব'জাৎলা? 'ঐদি অদুম্না হায়খিবা লৈতে' কাইনা হয়েং অমুক সী এম সেক্রেতরিয়েৎতগীঅমুক চেরোল থোক্লক্তুনা ঐ অমুক চোপ্তৌরিবা জাৎলা? তশেংবনিদা। ঐ নাকোংসিমক্না তাহৌইদা! নাকোংসিমখক্না তাবা নত্তে ইমিৎসিনসু উহৌই। নাকোংনা তাবদু লাল্লসু মীৎনা উখিবদুদি চুমফম থোকই। চিংনরক্তুনা ইচাশিংদা হংলে, নুপীদসু হংলে, মখোয়সু তাহৌই হায়।

ঐনা ঙসি ৱাফম অসি পুথোকচরিবগী মরমদি, অতৈ মিনিষ্টরনা ফৈরেং তুরেং ঙাঙলবসু সী এম মাদি ঙাঙলরোই হায়বগী থাজবা অসি পোল্লকপসিদনি। এম যুগী ৱাথোক্তা মীনা পংঙাঙ ঙাঙনখিবদু মখোয়সু তাবা নুংঙাইরল্লোই। তৌবগীবুদি অসুম্না পোলিতিসিয়নশিংগী মরমদা নেগেতিব ওইবা রিমার্ক ময়াম পীনরকখিবসি মসাগীতা খনবা, করপতেদ ওইবা পোলিতিসিয়ন ময়াম অমা থোক্লকপদইনি। অফবা লৈপাক অমা ওইহনবা, লৈপাক শেম্বা হায়বসিসু অফবা লৈঙাকপখক্তনা তৌগদবা থবক্নি। ৱাফমসিসু পুম্নমক্না য়াগনি। অফবা লৈঙাকপা অমনা স্বর্গ য়ৌনা চিংখৎলম্বা লৈপাক্তু অতোপ্পা লৈঙাকপা অমনা নোরোক্তা অমুক চিংথরম্বা - থোক্তবা নত্তে মালেমসিদা। ইতিহাসতসু পারকই, মীৎমাঙসিদসু উরকই। মীৎনা শং শং উরিবা পোলিতিসিয়নশিংসিগী মরক্তা করম্বনা অফবনো? কনা কনানা ফত্তবনো? থাজবা য়াবনা কনানো? মৱা লৌরোইদবনা করম্বনো? খঙলে ঐ ফনা নীংথিজনা। হায়দোকপদি য়াদে। ফোঙদোকপসু য়াদে। হৌজিক অচুম্বা ৱা ঙাঙবা য়াদবা মতম্নি। অচুম্বনা মক্রাঙদা মমৈ লোৎ, মমায় লৈদুনা চেল্লগা অরানবনা মমায় থাঙ্গৎনা লৈবা মতমনি।

ৱারী অমখক নীংশিংলকই। চুম্মী/লাল্লী য়েৎনগুমসি, ৱারী ওইনা তাবীয়ু। ইন্দিয়া কৌবা লৈপাকসি হান্না ভারত/ভারতবর্ষ কৌরম্মিদনা! পোপ্যুলার ওইনা কৌনখিদবই ৱানি, খরনদি অদুম হায়নরি। মীং অসি - ইতিহাসনি/মিথোলোজিনি/ফেবলনি/ফিক্সননি খঙদবা শকুন্তলা কৌবী উমংগী শকহেনবী অমগা দুষন্ত কৌবা নিংথৌ অমগা, নিংথৌদুনা শাদানবা লাকপদা থেংনদুনা মরী লৈনরগা পোকখিবা 'ভারত' কৌবা মপারিদুগী মমীং লৌদুনা থোনখিবনি। ভারত'না মপাগী মহুৎ শীন্দুনা নিংথৌ ওইরবা মতুংদা, মহাক্কীসু মচানুপা মঙা পোকখি। মহাক্কী মচা মঙামক লৈপাক ঙাকপা হৈগদবা, নিংথৌ ওইবদা মতিক চাবা অমত্তা য়াওদেখন্দুনা, চৎনবী লীক্লম পুম্নমক থুগায়দুনা, মহাক্কী মচা নত্তবা, মতীক চাবা লৈঙাকপা ওইনি খঙবা 'বিধাতা' বু নিংথৌ হাপখি। নিংথৌ খুবম হায়বসি নিংথৌদুগী মচা-মশু, চাদা-নাউদাশিংগীদমক লেঙদ্রবা ফম নত্তে, থবক ঙম্বা, লৈঙাক হৈবা মীশক অদুতনা পায়গদবনি হায়বা উৎখিবা ফিদম্নফম ওইবা নিংথৌ ওইখিবইদমক মাগী মমীং লৌদুনা লৈপাকসিগী মীং থোনখিবনি। অদুবু, মাগী মখা তারকপা করম্বা নিংথৌনা ফিদম অদু লৌখিবগে? অমুক ইবা মথৌ তারিবরা?

নিংথৌ অমনা ৱানি মশীং খঙদনা লোনবই চৎনবী হৌদোকখিবা, মচা-শঙ্গু পোক্লখিবা - নিংথৌ' পুন্সি তম্বা ঙমদে, মচিন-মনাও, মপা-মচা-নিংথৌ খুবমদুগীদমক্তা অঙম অঙম হাত্তোক্লরক্কনি, কনানসু তুং-কোইনা ওইবা ঙল্লোই খঙবদুনাওইরম্নি। মখোয় মশেন হাৎনরসু, নিংথৌ খুবম অদুদি মখোয়গী ইমুং-মনুং শাগৈদুগী মীনা অদুম পায়রেদনা।

চৎনবীসি মখা থঙথরকপনা মোর্দন পোলিতিক্স অসিদসু দাইনেস্তি-রুল তৌবা ঙম্ন বা দাইনেস্তি-পোলিতিক্স, শাগৈগী রাজনিতি শেমগৎলকখি। নেসনেল পোলিতিক্স মথন্তগী নত্তরে, ষ্টেট পোলিতিক্সতসু দাইনেস্তি পোলিতিক্স - কম্মন ফিচর (তোয়না উরবা শত্তম) অমা ওইরক্লে। মণিপুরসু য়ৌশিল্লক্লে।

ঐনা ঙসি, মতাঙ চাদ' মেলৈ লাংবা থৌওংগী মওং তাদুনা হৌদোক্লুরিবগী মরমদি অমিত শাহ'না হায়খিবা ...'হন্দক ২০১৯ পার্লিয়ামেন্টতরি ইলেক্সন'দা বি জে পিনা অমুক হন্না সরকার পায়রক্লবদি, মতুং তারকপা চহী ৫০ পার্তি অসিনা লৈঙাক শক্তি পায়বদা কনানসু থিংবা ঙল্লোই' ... হায়বা ৱাহায় অসি হায়রক্লিবা, হন্দক শোয়দনা মায়থীরনি খঙলবনা ওইরিদ্রা? নৎলমদ্রবদি, মখৌ পোঙনা হায়গদবনি 'লাক্কদৌরিবা চহী ৫০ অসি ঐখোয়বু কনানসু নমথবা ঙল্লোই'।

লৌশিং পুক্কে

# মীরোল্লিবৈঙেদা ঙা চাবনা অঙাংদা অজমা নাহন্দে



মমানা মীরোল্লিবৈঙেদা থাউ থোকপা ঙা চারবদি পোল্লক্কদৌরিবা অঙাংদা অজমা অমদি অতৈ রেস্পিরেটরি দিজিজগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউদম্প্টনগী প্রোফেসার ফিলিপ কেন্দরনা হায়খি, ঙল্লিবৈঙে মতমদগী চাবা-থকপদা চেকশিনবা তারবদি তুংগী পুন্সিদা অনা-অয়েক য়াওদে। কনাগুম্বা মীওই অমনা মমাগী পূক্লুংদা লৈরিবৈঙেদা মমা অদুনা চাবা থকপদা চেকশিল্লবদি অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফংই।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংনা থা তরুক শুরকপদা ঙায়রিবৈঙেদদি এলর্জি তৌগনবা অমসুং তৌগন্দবগী মতাংদা থোইদোক্লা খেন্নবা লৈরমদে। অদুবু অঙাংশিংনা চহী অনী মখায় শুরকপা অদুৱাইদদি মমানা মীরোল্লিবৈঙেদা চারকপা চীঞ্জাক্কী মতুংইন্না য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈরম্মী। মীরোল্লিবৈঙেদা থাউ থোকপা ঙা মরাঙ কায়না চাবা নুপীশিংনা পোকপা অঙাংদি অজমা নাবগী চাং নেম্বা থেংনখি। মরম অদুনা মীওইবগী চাকচা য়ুথক অমদি পুন্সি মহিংগী মরক্তা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। ঙসি ঐখোয়না চারিবা চখোম খুদিংমক্না তুংদা ওইরক্কদবা হকশেলগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। ঙন্না চেকশিন-থৌরাং লৌখৎ-লিবমখৈ কান্নবা হেল্লি। মমাগী পূক্লুংদা লৈরিবৈঙেদা মমা অদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনা অমুক্কা হেন্না কান্নে।

বৃটেনগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সাওদম্প্টননা চথুখিবা ষ্টদিগী মতুংইন্না মীওইবদা ফেট্টি এসিদ য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবনা লায়না কয়া পোকহল্লক্লবগী মরম ওইহল্লি হায়রি। এথরোসক্লেরোসিস অমদি ক্রোন'স দিজিজনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লক্লিবসি হকচাংগী ঈদা ফেট্টি এসিদ য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবগী মতুংইন্না ওইরকপনি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মীরোনবী নুপী খরদা চয়োল খুদিংগী সালমন অনীরক পীজরম্মী। খরদনা পীজরমদে। সালমন হায়বসি থাউ য়াম্না থোকপা ঙা মখল অমনি। মখোয়না পোল্লকপা অঙাংশিং অদুনা থা তরুক শুরকপা অমুক অমসুং চহী অনী মখায় শুরকপদা অমুক চাংদম্নরম্মী। মীরোল্লিবৈঙেদা চাং নাইনা ঙা চারকপা নুপীনা পোকপা অঙাংশিং অজমাগী রিস্ক হন্থে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেন দিগোদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এক্সপরিমেন্টেল বাইওলোজি কোংগ্রেসতা পুথোর-কখিবনি। অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্নদা লৈবা মোনাস য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি নুপীনা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা তারবদি অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। নুপীনা হকচাংগী অরূম্বা হেনবগা অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকপগা নক্লবা মরী লৈনবগী খুদম ফংলে হায়না ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা অঞ্জু এলিজাবেথ জোহেমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট পাঙথোক্লদুনা বোষ্টেনদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এন্দোক্রাইন সোসাইটিগী মীফমদা জোহেমনা হায়খি, হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমসুং পোলিসিষ্টিক ওভারি সিন্দ্রোম (পি সী ও এস) না নুপীদা অজমাগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। পি সী ও এস হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা দিসওর্দর অমনি। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরবা নুপীশিং ওভারি চাউথোরকপগা লোয়ননা থাগী খোঙকাপ শোয়বা, কা-হেন্না মফম কয়াদা শম হৌগৎলকপা, উরিং থুংবা, মীরোনবা ঙমদবা অমসুং দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎলকপা য়াই। মসিদসু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুমসু মায়োক্লহল্লকপা য়াই হায়রি।

অজমাগা শাগোন্নদুনা হিংবা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংদা লংসকী নুংশিৎ উতোংদা লোক-তীন্না ফুনজিনখিবদগী নিংশা শ্বর হোনবা ৱারকই। থবাক ক্রক-ক্রক লাকশিল্লক্তুনা নিংশা হোনবদা হ্বিশল খোংবা মানবা মখোল অমা থোরকই। মরম অদুনা অজমা পেসেন্টশিংনা মতম চুপ্পা ইনহেলর অমা মশাদা লোয়নদুনা পুই। মদুগী মতেংনা অজমা এটেক হৌরকপা মতমদা নিংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইহনগদৌরিবনি। অদুবু কাউবা নৎত্রগা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদগী ইনহেলর পুদবা মতমদা অজমা এটেক হৌরক্লবদি খক হীপথরোইদবনি। চপ তিংনা ফল্লগা তপ্পা তপ্পা নাতোলদা শ্বর হোঞ্জিল্লগা চীনদা হোনে দাক্কদবনি। হীপথরগনা নিংশা শ্বর হোনবদা অমুক্কা হেন্না ৱাহনগনি।

মসিগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ পাখৎলোইদবনি। পাখৎপা, অকিবা পোক্লিবমখৈ নিংশা হোনবা ৱাবসু হেনগনি। অশাবা কোফী কপ অমা থকচিল্লগা তপ্পা অমসুং শাংনা নিংশা হোনগদবনি। কোফীনা নিংশা শ্বর হোনবগী নুংশিৎ উতোং রিলেক্স তৌহনবা মরম্না ঙাইহাক্কী ওইনা অৱাবা কোকহল্লি।

অয়াম্বা মতমদা উফুল মরক্তা চৎপা, মৈখু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈবা অমসুং অখন্নবা কেমিকেলশিংগী মনম নম্লুবদগী অজমা এটেক হৌরকই। মরম অদুনা পুম্নমক অসিদগী লাপথোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা নুংশিৎ-নুংশা শেংবা মফমদা লৈগদবনি।ইচা-ইশু দা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্ল হল্লোই হায়রবদি মীরোল্লিবৈঙেদা চাং নাইনা ঙা চাবা মথৌ তাই।

# লিলোং এ সী চাউখৎপা ওইহন্নবগীদমক মীয়ামগী ৱাখল্লোন হোংদোকপা চঙই : ফোরম




ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচ এন এস): লিলোং এ সী অসি চাউখৎপা ওইহন্নবগীদমক মীয়ামগী ৱাখল্লোন হোংদোকপা চঙই হায়না লিলোং দিভলপমেন্ট ফোরম (এল দি এফ) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাজা থোংখোংময়ুমনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লিলোং কৈথেলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা রাজা থোংখোংময়ুমনা হায়খি, চহী কয়াগী মমাংদগী লিলোং এ সী অসি মতম মতমগী লৈঙাক্লা তৌফম থোকপশিং তৌরক্তবা, পীফম থোকপা চাকথুং নীংথিনা পীদবা ওইরি। এ সী অসিগী চাউখৎ থৌরাং পুম্নমক্কী থৌদাং লৌখ্রবা মীহুৎশিংনা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা থবক তৌরক্তবদগী ঙসিদি হিরম খুদিংমক্তা ফিভম শোক্লবা এ সী অমা ওইরে। পায়রু পায়রুবা খুদিংমক নিংখায়গদৌরবা মল্লবা ফক্লাংগা মান্নরে। ফরি হায়বা য়াবা অমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। হিরম খুদিংদা শীংথাবা য়াবা করিবু লৈরিবগে হায়বা ৱাহং অমা হংনবা য়াওরল্লগনি।

লম্বী-থোং, মৈ ঈশিং, হোস্পিটাল, কৈথেল, লৌকোল, স্কুল, মসজিদ, লাইশঙ, কম্যুনিটি হোল, লাইব্রেরি, লম্বীশিং, ঈরম-নালা য়াওনা লৈফম থোকপশিং করম্বা মওংদা লৈরিবগে হায়বসি এ সী অসিগী মীওই অয়াম্বনা খঙনরিবনি। ৱাকৎপীনবা চেনবী চোংবিনবা প্রেসর গ্রুপ লৈতবনা অৱাবা খাঙদুনা লৈরক্লি।

মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অসিদা ঐগী ঐগী শোয়দ্রগা লোয়রে হায়না তুমিন্না লৈথোকপা মতম নৎত্রে। লুরবা তানফম অসিদা ৱাখল্লোন মান্নবা মীওই খরা পুনশিন্দুনা লিলোং দিভলপমেন্ট ফোরম অসি শেম্বনি। মাঙদা তারিবা প্রোব্লেমশিং অসি য়েংদুনা লৈরবদি নোংম নোংমগী ফিভম শোকচিল্লক্তুনা হৌজিক ৱারিবা অসিদগী হেন্না অকিবা ফঙলবশিং মায়োক্লরকপা য়াই। এ সী অসিগী মীয়াম চারে চাফম খঙদবা, চৎলে চৎফম খঙদবা, ফুম্বংনবা ফিভমদা পুন্সি লেল্লিবসি নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি অমা ওইনবগীদমক হান্নগী ৱাখল্লোন খরা হোংদোকমিন্নবা মথৌ তাই হায়রি।

তুরেল মচা অমা ঈশিং চাওরকপদা ঐখোয়না করিগী অহিং কয়া তুমদ্রিবনো। ঙরাংদা ঈশিং চাওরল্লগা ঙসিনা করিগী ঈশিং ফংদবগী চেন্নরিবনো হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই। কিলোমিটর অনী গাড়ী থৌবদা পুংখায় অমগী মতম চঙলিবা করিগীনো। অনকপদা হোস্পিটাল লৈরগা অরাপ্পদা লায়েংবা চৎলিবা করিগীনো। লম লৈরগা মতমগা চুনবা কৈথেল শাদ্রিবা করিগীনো হংনিংঙাই ওই। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম লৈতবা নত্তে। ৱাহংশিং অসি কনাদা হংগনি হায়বা খঙলবা মতমদা লিলোং এ সী পুম্লং লংবা ঙমদ্রবসু লৈরিবা থাক অসিদগী খজিক্তং ওইরবসু কাখৎপা ঙমগনি। মসি এল দি এফকী মঙলান নত্তে, থাজবনি। ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম থবক্তা ওন্থোক্লবা চপ চানা হোৎনগনি। এ সী অসিগী মমাংদা লৈরম্বা ফিভমদগী মায়কৈ খুদিংদা অহোংবা পুরক্লবগী পান্দমদা মীয়ামগী মীহুৎ শীন্দুনা থৌদাং লৌগদৌরিবা এল দি এফকী থৌ পুগদবশিংদি, প্রসিদেন্টদা এম দি নাইম খান, ভাইস প্রসিদেন্টতা এম দি মোসিন, সেক্রেটরিদা রফিক আলি, জোইন্ট সেক্রেটরিদা জিয়া উর রহমন, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা রাজা থোংখোংময়ুম, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা উজাহরউদ্দিন, নুরুল অকবর, ত্রেজররদা গিয়াসুর রহমন, জকির হুসেন, ঈ সী মেম্বরদা দাউলদ খান, সবির অহমদ, ইমতিয়াজ খান, মুস্তাকিম অমদি কবির হুসেন য়াওরি।

ফোরম অসি পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগা মরী লৈনদে। মখোয়গা ফোরমগা মরুপসু ওইরোই, য়েক্লবসু ওইরোই। হিরমশিং অসিদা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌহন্নবা ওথোরিটিদা খুৎ থিন্দুনা তাকপনা ফোরম অসিগী মপুং ওইবা থবক ওইগনি। মরম চাবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি লোগী মতেং লৌদুনা তকশিনগনি। ফোরম অসিনা মখল অমত্তগী ভাইওলেন্স তৌরোই। মীয়াম্না ফোরমদা থৌনা হাপ্পীয়ু, পাউতাক পীবীয়ু। মীয়াম্না মতেং পীরবদি ফোরম্নসু চাউখৎপা এ সী অমা মীয়ামদা উহনবা ঙমগনি। মসিমক ফোরমগী লেংদ্রবা ৱাশক্কি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ওর্ফান হোমদা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯(ঐচ এন এস): মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী ৪ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননবা ঙরাং ওর্গনাইজেসন অসিনা লিলোং হাওরৈবি অতাওখোংদা লৈবা য়াটিম খানা (ওর্ফান হোমদ) দা চান-থক্লবশিংগী তেংবাং পীখ্রে।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদুগা মরী লৈনবা ৱারোল পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা এম এম দব্লিয়ু ওগী এদভাইজর এম অর্সাদনা হায়, মান্নবা খুন্দাই অমা শেম্নবগী পান্দমদা এম এম দব্লিয়ু ওনা ঙসি ফাওবদা হোৎনদুনা অমদি খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজংশিং অদুগী মনুং চন্না কনা লৈজদ্রবশিংবু মান্নবা থাক্তা পুখৎতবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনদা ঙসি য়াটিম খান্না চান-থক্লবা চেঙ, হৱাই, থাও, থুমনচিংবা তেংবাং পীজবনি।

কনা লৈজদ্রবশিংগীদমক্তা এম এম দব্লিয়ু ও লৈরি হয়বা ৱাখল্লোন্দা তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌবশিংনা কন্না হোৎনবিয়ু হায়খি।

মহাম্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগীদমক্তা এম এম দব্লিয়ু ওনা তৌরক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি লমদম অসিবু নুংশিবিবশিংগী তেংবাংদগী ঙমজবনি। মখা তানসু শৌগৎপিয়ু। ইম্ফালদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ৪ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না কনা লৈজদ্রবশিং অমদি এম এম দব্লিয়ু ওগী থৌমীশিংগা অথুম-অহাও চামিন্নরবা তুংদা মখোয়গী পুন্সিদা অফবা ওইহন্দুনা ঈং তপ্পা লমদম অমা ওইরসনু হায়না মপুদা দুৱা তৌখি।

# লৈমা গ্রুপকী তরুকশুবা ফাওন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৯: লৈমা গ্রুপকী ৬ শুবা ফাওন্দেসন দে থৌরম ঙসি শীংজমৈ ৱাংম ক্ষেত্রি লৈকাই মতা সিনিমা হোল মনাক্তা লৈবা লৈমা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খোংমন গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান মোইরাংথেম নুংশিরৈ, চীফ ইগজিক্যুটিব ফেদরেসন ওফ অর্বান কোওপরেটিব বেঙ্ক এন্দ ক্রেদিৎ সোসাইটি লিমিটেদকী জেনরেল মেনেজর/সী ঈ দি ও (রিটয়ার্দ) এ কে ইবোচৌবা অমদি লৈমা গ্রুপ শীংজমৈগী কন্সলটেন্ট কোন্থৌজম শান্তিকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবী এম নুংশিরৈনা ফোঙদোকখিবদা, মাইক্রো ফাইনান্স লৈমা গ্রুপকী থবক তৌরিবশিংনা থবক কন্না শুদুনা পুকচেল শেংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরগদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। লৈমা গ্রুপনা পায়খৎলিবা থবক-থৌরমশিংবু মহাক্ন া থাগৎপসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এ কে ইবোচৌবা অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কোন্থৌজম শান্তিকুমারনসু থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লৈমা গ্রুপকী হেদ ওফিস অমদি ব্রাঞ্চকী ষ্টাফশিংনা শান্নখিবগী অথোই-অহেন তারবশিংগী মনাসু পীখি। নুপীশিংনা তাখোক বার চিংনবগী অথোই-অহেনগী মনাসু পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মসিদা নত্তনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা অমদি থবক ফজনা তৌবা ঙম্বা মীওইশিংদসু অখন্নবা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

IPS CANCHIPUR

ADMISSION OPENS FOR 2019
BOTH SCHOOL & BOARDING
(FROM PRE- NURSERY TO IX)

**EMPLOYMENT NEWS**

1) Head Warden (Male) P.G.T in English B.Ed or its equivalent
Age :- 40-55 yrs. (Salary : Rs. 13000-Rs. 15000)
2) Head Warden (Female) P.G.T in English B.Ed or its equivalent
Age :- 30-50 yrs. (Salary : Rs. 11000 -Rs. 15000)
3) Asst Teacher cum Wardens (Male) P.G.T in English, Physics, Chemistry, Bio, Maths, Man-B.Ed or its equivalent
(Salary Rs. 11,000 - Rs. 13,000)
4) Asst Teacher cum Wardens (Female) P.G.T in S.Sc. English, Hindi, Man., H.Sc. B.Ed or its equivalent (Salary - Rs. 10000 - Rs. 13000)
5) 3 Rhyme Teachers - XII/Graduate (Salary - Negotiable)
6) 1 male & 1 Female nurse or Pharmacist (Salary - Negotiable)
7) 2 Boarding drivers (light/Heavy), 2 Cooks, 2 Chowkidars
(Salary Rs. 6500- Rs. 8000)
8) 4 Boarding Chek mistri, 2 Chek Jugali, 2 Carpenters; 2 electrician cum securities. (Salary Rs. 8000 - Rs. 10,000)
9) 3 Male and 2 Female Boarding securities and 1 Female Helper
(Salary Rs. 6000- Rs. 8000)

**Note :** 1. Last date of submission of Application 21/12/2018
2. Date of Interview 23/12/2018 at 10:30 a.m.

For details please Contact : 8257807581 (Reception)

Free Private Tuition for Boarding by the Guest and Non-Guest Teacher
Free Transportation for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei
Free School Fees for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei

HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)

# সীজফায়র তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে

দিমাপুর, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী): নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবগী পান্দমদা খাঙো কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন-কেনা সেন্টরগা অমুক হন্না সীজফায়র এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীননবা ফিরেপ লৌখ্রে।

হৌখিবা থা ১ রোম নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা নন-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা খাঙো কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন-কেগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি হায়রি। কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা এন এস সী এন-কেনা সীজফায়রদগী খোঙফম হন্দোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী মথক্তা মখল মখা কয়াগী এটেক চথুদুনা লাকখিবনি। এন এস সী এন-কেগী চ্যেরমেন খাঙো কোনয়াক অমদি জেনরেল সেক্রেটরি আইসাক সুমিনা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা সী এস ও কয়ানা আপিল তৌরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা থৌরাং য়েংলগা লূপ অসিনা অমুক হন্না সীজফায়র এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীননবা ফিরেপ লৌরে। নাগালেন্দ অমদি নাগা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু মতিক চাবা খোঙথাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না এন এস সী এন-কেনা ফোঙদোকখি।

HL-P/2589/30,1-17 Jan.

